

মেক্স ইম্ফালগী স্পোন্সরশিপ মখাদা দিষ্ট্রিক্ট এইদস প্রিভেন্সন এন্দ কন্ট্রোল য়ুনিট থৌবালনা শীন্দুনা ঐচ আই ভিগা শাগোন্নরিবশিংদা মচি ওইবা চীঞ্জাক হায়বা হীরমদা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ট্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোকখিবা


আই জি এ আর (সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা জৌপি বট্টালিয়ননা শিন্দুনা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লৈবা জৌপি ভিলেজদা খেলো ইন্দিয়া প্রোমোট তৌবা ওইনা তোঙান তোঙানবা মশান্নশিং শান্নহনখিবা


মণিপুর টেক্নিকেল য়ুনিভর্সিটি তাকয়েলপাৎকী এম বি এ ফার্ষ্ট বেচকী মহৈরোয়শিংনা দুলাহলেন্দদা লৈবা চিলদ্রেন হোমদা ঙমজবা চান-থক্লবা পোৎলমশিং মতেং পাংখিবা


ইপাক ফিল্মুস প্রদক্সন মণিপুরনা শীন্দুনা পাঙথোক্লিবা অনীশুবা ইন্টর্নেসনল মণিপুরী শোর্ট ফিক্সন ফিল্ম ফেষ্টিভেল ২০২২গী ফিল্ম এন্ট্রি তৌবগী মতম লাউথোকখ্রবা মতুং স্ক্রিনিংগী মতম লেপখিবা

## দি ঈ এম সী শেমখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৮ (ঐচ এন এস): দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসর, চূরাচান্দপুর পরন য়াদবনা থোকপা নোটিস অমগী মতুংইন্না মেম্বর মরিনা চূরাচান্দপুরগী দিষ্ট্রিক্ট এক্সপেন্দিচর মোনিটরিং কম্মিটি (দি ঈ এম সী) শেমখ্রে হায়রি। হায়রিবা কম্মিটি অসি মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি ২০২২গী ইলেক্সন নোটিফিকেসন থোকপা নুমিৎতগী হৌরগা ফঙ্কসন তৌবা হৌগনি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারি।

## ‘এস এস ওলিসবু শৌগৎলগনি’

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৮ (ঐচ এন এস): কুকি চিফ্স এসোসিএসন (কে সী এ) চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মীৎয়েং মখাদা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা কুকি সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংগী মীফম অমনা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি মীখল ২০২২দা চান্দেল এ সী বি জে পিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট এস এস ওলিসপু অমত্তা ওইনা শৌগৎপা হায়না ৱারেপ্পদুনা য়ানখ্রে হায়না কে সী এ, চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী ইনফোর্মেসন সেক্রেটরি ঙমখোপাউ বাইটেনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

কনাগুম্বা মীওই নৎত্রগা পার্টি খুদিংমক্না ৱারেপ অসিগী মায়োক্তা থবক তৌবিগনু। করিগুম্বা ৱারেপ অসিগী মায়োক্তা থবক তৌরকপশিং চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী কুকি সোসাইটিগা মখা তানা মরী থম্নরোই হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## ‘ট্রাইবেলগী ইস্যু খঙবা লিদর খনসি’

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৮ (ঐচ এন এস): পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা জেনরেল এসেমব্লি ইলেক্সন ২০২২ অসিদা মণিপুরগী হিল দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈরিবা ট্রাইবেল ইলেক্টরেল খুদিংমক্না পোলিটিকেল পার্টিদা য়েংলগা ভোৎ পীবগী মহুত্তা ট্রাইবেলগী ইস্যু খঙবা পোলিটিকেল লিদরশিং ওইনা থাগৎসি হায়না ওল মণিপুর ট্রাইবেল য়ুনিয়ন (এম টি য়ু)গী মায়কৈদগী অপীল তৌরক্লি।

এম টি য়ুগী এদভাইজর জমখোলাল লুংদিম, সেক্রেটরি চুইমৈ জিমিক অমদি ভাইস প্রসিদেন্ট লুনখোথাং মাতেনা পুন্না খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা হায়, মণিপুরগী চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈরিবা ইলেক্টরশিংনা ট্রাইবেল পোলিটিকেল ইস্যুগী ইন্টরেষ্টতা য়েংলগা কেন্দিদেট খনসি। মণিপুরগী ট্রাইবেল মীয়ামনা হৌজিক এম এল আর/এল আর ১৯৬০/৬২গী প্রোভিজন ১৯৭৫/৭৬ গী ইস্যু মায়োক্নরি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারি।

## এম টি য়ুগী মহৈরোয়শিংনা হোমদা মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৮ (ঐচ এন এস): মণিপুর টেক্নিকেল য়ুনিভর্সিটি (এম টি য়ু), তাকয়েলপাৎকী এম বি এ ফার্ষ্ট বেচকী মহৈরোয়শিংনা শীন্দুনা পাঙথোকবা সোসল এক্টিভিটিশিংগী কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা ঙসি দ্যুলাহলেন্দদা লৈবা চিলদ্রেন হোমদা ঙমজবা চান-থক্লবা পোৎলমশিং মতেং পাংখ্রে হায়রি।

কেম্পেইন অসি এম টি য়ুগী এম বি এ অহানবা বেচগী মহৈরোয়শিংনা দ ফোর্চুন ফন্দ ক্লব, দ সোল্ভর্স ক্লব, দ ক্যেরিং ক্লব, মাইল্স ফোর মিরাকল্স ক্লব, হোপফুল হার্টস ক্লব হায়না ক্লব মঙা থোক্লা খায়দোক্তুনা সোসল এৱ্যের্নেস এন্দ ওন্ট্রপ্রনরশিপকী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকখিবনি।

অফবা অমদি চাওখৎপা খুন্নাই অমা শেম্বদা ওন্ট্রপ্রনরশিপকী থৌদাং য়াওই হায়বা ৱাখল্লোনগী মখাদা অমসুং অফবা লুচিংবা অমা ওইদুনা হৌজিক হৌজিক থেংনরিবা থবক ফংদবগী খুদোংচাদবা অসিদা হৌরক্লিবা নহাশিংদা ইনোৎ হাপ্পগী পান্দমদা চত্থরকপা কেম্পেইননি। অসিগুম্বা মখল কয়াগী থবক থৌরমশিং মখা তানা চত্থজরকখিগনি হায়রি।

## ‘কংলৈপাক মণিপুর মহাভারতকী মতমদগী হৌনা ইন্দিয়াগী পুৱারীদা শরুক য়ারকখিদে’

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৮ (ঐচ এন এস): হন্দক হরাওরৌদা লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অমদা ডা. মোহন ভগৱতনা ঐখোয়গী ইরমদম কংলৈপাক মণিপুর অসি মহাভারতকী মতমদগী হৌনা ইন্দিয়াগী পুৱারীদা শরুক য়াদুনা অমদি কথোক্তুনা লাক্লি হায়খিবদু মহাক্কী হেঞ্জিনবা ৱাহৈনি। কংলৈপাক মণিপুর অসি মহাভারতকী মতমদগী হৌনা ইন্দিয়াগী পুৱারীদা শরুক য়ারকখিদে। মসি লাইনিং শন্দোকপগী মওংদা মোঙ্গোলোইদ মীতৈবু লান্না লমজিংবা ৱাঙাওনি হায়না সাউথ ইষ্ট এসিয়া কলচরেল ওর্গনাইজেসন (সিকো)গী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

সিকোগী সেক্রেটরি পব্লিসিটি থাংজম ইনাওচানা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কংলৈ খুন্নাইগী শিথরুরবা লো, ইনাৎ অমসুং লাইনিংনচিংবা হিঙ্গৎ ইহৌ কনখৎহনবা হায়বসি কংলৈচা ঐখোয়গী মাঙদা তারবা তঙাইফদ্রবা তৌফম থোকপা ইথৌদাংনি। কংলৈচা ঐখোয়গী ইশাগী ইরোল, ইয়েক, লাইনিং ইনাৎকী ওইবা চৎনরোল থৌরম পরেং শুনা লৈজে। অদুনা ঐখোয়গী হান্নগী লীচৎনা নীংতম্না হৌগৎ-কাঙখৎপা ঙম্নবা হোৎনজবগী রাইট লৈ হায়বসি নিংশিংবগা লোয়ননা মিকপ থোক্তুনা লমগী ষন্না মচি শাংহন্নিংবগী থৌওং থাদোকপা মতম ওইরে।

অদুঙৈগী কংলৈপাক ঙসিগীনা মণিপুরগী মীতৈ ফুরুপ (নেসন) অসিগী মনাৎ অমসুং লাইনিংগী তোপ তোপ্পা মশক লৈজরকই। অদুবু লাইবক থীবদি মীতৈ অয়াম্বা মপানগী লাইনিং লৌহনখিবদগী ফুরুপকী চৎনরোলদা মরিং মরাংবা হৌরকখি। মসিগী মরমদি ইরমদম অসিদা নিংথৌ পামহৈবনা পানবা হৌখিবা কুমজা ১৭০৯গী ওগষ্ট ২৮, থৱান থাগী ২৩নি পানবা য়ুমশকৈশা নুমিৎকী মতুংদগী হৌরগা ইরমদম অসিগী ইনাৎকী মশক্তা য়াম্না চাউনা অকায়বা পীরকখিবননি। অদুনা হৌজিক ফাওবা ঐখোয়গী ইরক্তা হিন্দু-অরিয়ানগী ৱাখল্লোন কোকপা লোইদ্রিবনি।

ইরমদম অসিদা নৌনা থোরকপা অইবশিংনা নৎত্রগা নৌনা ফোঙদোক-পুথোরকপা তোঙান তোঙানবা লাইরিকশিংদা মীতৈ ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিংবু নৎত্রগা পুন্না লৈমিন্নরিবা অতৈ ফুরুপশিংবু খোঙ্গাওনবা মওংদা শেরান-তুরানবা মওংদা মখা তানা অরানবা পুৱারী ইশিনবিরক্লনু। মসিনা লান্না চৎখিনবগী মচাক ওইগনি। পুৱারীগা মরী লৈননা লাইরিক ইবিরকপা নৎত্রগনা পুৱারীগা মরী লৈননা ৱা ঙাঙবা মতমদা অখঙ-অহৈ শারগা ইশিন ঙাংশিনবা তৌদুনা হৌজিক্কী কংলৈ মীয়াম্বু লান্না লমজিংবিগনু। হৌজিক্তি নহানৱাইগী মতম অদু নৎত্রবনি। অদুনা, মায়কৈ কয়াদা মীৎয়েং থম্লগা পুৱারীগা মরী লৈননা লাইরিক ইবিয়ু অমদি পুৱারীগা মরী লৈননা অচুম্বা অশেংবা ৱা ঙাংবিয়ু।

মোঙ্গোলোইদ মীতৈনা অমনি হিন্দু অরিয়ান গ্রুপনা অমনি। ফুরুপ তোঙান তোঙানবা ওইবনিনা হীরম খুদিংমক্তা অনী অসি লোইনা খেন্নে। অদুনা মোঙ্গোলোইদ ওইরিবা মীতৈবু অরিয়ান গ্রুপতা হাপচিন্নবা, ইতোৎ-তোৎশিন্নবা হোৎনবিগনু। হিন্দু-অরিয়ানগী মহাভারতকী লান তৌদ্রিঙৈদা মোঙ্গোলোইদ মীতৈদি মশাগী ওইবা চৎনবীদা য়াম্না খুমাঙ চাওশিন্না নিংথৌ পানবা লৈবাক ওইদুনা চহী লিশিং কয়া পাল্লক্লবনি। খাঙতপ্তা হিন্দু অরিয়ানগা পুল্লক-শম্নরকপগী ৱানি।

মতুং তারকপা থবক থৌরমশিংদা ইরমদম অসিগী অকুপ্পা ৱারোল, পুৱারী, ইনাৎ-লাইনিং লাইশোন খঙদবা মপানগী মী কৌরগা শেরান তুরান ঙাঙহনবা অমদি লাইরিক ইরিবনি, ফোঙলিবনি হায়দুনা মমৈ মকোক শম্নদবা লাইরিক ইবিরক্কনু। হান্না মমাঙদা ইখিবা, ফোঙখিবা অরানবা ৱাফমশিং অথুবদা শেমদোক-চুমথোকপিয়ু। মদু নৎত্রবদি মসিগী মতাংদা সিকোনা মীৎয়েং চঙলগনি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারি।

## ‘আর এস এসকী চীফ ডা. মোহন ভগৱটনা মণিপুরবু মহাভারতকী মণিপুরগুম উহনবা লাইবক থীবনি’

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৮ (ঐচ এন এস): থা অসিগী ২৩দা রাজশ্রি ভাগ্যচন্দ্র স্কিল দিভেলপমেন্ট সেন্টর (আর বি এস দি সী)না শীন্দুনা ইম্ফাল ইষ্টকী হরাওরৌদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা রাষ্ট্রা স্বায়ম সেভক সঙ্ঘা (আর এস এস)কী ডা. মোহন ভগৱটনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংদা মণিপুরবু মহাভারতকী মণিপুরগুম উহনবা অদু লাইবক থীবনি হায়না জষ্টিষ কম্মিটি ওন এঙ্গলো-মণিপুরি ৱার-১৮৯১ মার্টিয়র্স এন্দ ফ্রিদম ফাইটর্স ওফ কংলৈপাক (মণিপুর)গী কো কনভিনর আই পি আর থিয়াম জেঙ্গননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, থৌরম অদুদা ডা. মোহন ভগৱটনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম ‘নীং-তম লাম্মীশিংনা লাম্বেংনরকখ্রিবা অদু নীং-তম্বখক্কী নত্তনা লাইনিংগীদমকসু লাম্বেংনরম্বনি। মহাভারতকী মতমদগী হৌনা ভারতকী পুৱারীদা মণিপুর অসি শরুক য়াদুনা কথোকপা অমা ওইদুনা লাক্লি’ হায়বা ৱারোল অসি নৈনবা তঙাইফদে। মহাক্না এঙ্গলো-মণিপুর ৱারদা থৱায় কৎখ্রবা অথৌবশিংবু শিংথাখিবা থোইদোক্লা থাগৎনিংঙাইনি। অশেংবা অচুম্বা ৱাফম থম্বিবা অকায়বা লৈতে হায়না কম্মিটিনা লৌজে। অদুবু মণিপুরগী হিষ্টরিবু লান্না ৱাহম্থোক পীবদি চুমদে।

এঙ্গলো মণিপুর ৱার, ১৮৯১গী মতমদা মণিপুর কনাগীসু মখা পোল্লমদে হায়বসি ঐখোয় পুম্বনা খঙই। লান লোইরবা মতুংদা ১৮৯১গী এপ্রিল ২৭তা কংলাদা মনীং-মখা তম্না পাইরম্বা পাখঙবা য়েকপা পাখল চিংথরগা বৃটিশকী য়ুনিয়ন জেককী ফিরাল চিংখৎখিবনি। মণিপুরগী অথৌবা মপারিশিং অদুনা শোক্লখিবা লান অদুসু কংলৈপাক (মণিপুর)গী নীংতম্বা কঞ্জনবা লানফম্নি। মতম অদুদা ইন্দিয়া পোক্ত্রি। ইরমদমগী নীংতম্বা ঙাক্লবা লানফম হায়বসিদা লাইনীং-লীচৎ, লৌক্লোন, চৎনরোল অমদি পুম্নমক শূপ্লবনি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, ওজা কাংজিয়ানা ইবা ‘অদুঙৈগী কংলৈপাক মণিপুর নত্তে’ হায়বা লাইরিক ঐখোয় খুদিংমক্না পাখ্রবা-নৈনখ্রবা ঙাক্লি। পুম্নমক ময়েক শেংনা হায়খ্রে, ওরিষাদা লৈবা মণিপুর, মধ্য প্রদেশকী মণিপুর অদুগা কংলৈপাক্কা হীরম অমত্তদা মরী লৈনদে। কংলৈপাক্তা অর্জুনগী ব্রাবুবাহোনগী অমদি চিত্রাঙ্গাদাগী ৱারীগা শম্না মফৈ অমা ফাওবা মরী লৈনদে। হীন্দু লাইনিংদা ঙাওজবশিংনা ফৈরেংননা পুশিল্লক্ক বা হোৎনবনি, মসি চুমদবা ৱাফম্নি। ঙরাংদা ইনিংথৌ পামহৈবগী হাক্তক ১৭২৪দা কৌখিবা মণিপুর হায়বা লৈবাক্কী মিং অসিবু মহাভারতকী মতমদগী হৌনা করম্বা ইন্দিয়াগী পুৱারীদা য়াওগদৌরিবনো। মীয়াম খঙনা শেংদোকফম থোকই।

থোইদোক্লা অসিগুম্বা য়াম্না মরুওইবা লাইরিক ফোঙবগী ৱারোল পীবদা অরানবা হায়হন্নিংদে। ইন্দিয়াগী লুচিংবশিংনা খঙলমদ্রবসু ঐখোয়গী হিষ্টোরিয়নশিংনা তাকপিবা তাই, মরীক চুম্না হায়বিবা মথৌ তাই। নৎত্রবদি ইরমদম কংলৈপাক্কী শেংলবা পুৱারীবু লান্না লৌখিনি। চহী ২০০০ হেনবগী পুৱারী লৈজে হায়রিবা কংলৈপাক অসি মহাভারত পুরানদা পুশিল্লগা নৈনবা মরম চাদে। মপুঙ ফারবা ঙসিগী ইন্দিয়ন য়ুনিয়ন অসি শেম্নবা থৌশিলনা মণিপুরগী ইনিংথৌ বোধচন্দ্রবু শিল্লোংদা কৌরগা কুমজা ১৯৪৯গী সেপ্টেম্বর ২১দা নমদুনা খুৎয়েক পীহনখিবা, ১৯৪৯গী ওক্টোবর ১৫দগী মণিপুর মর্জর এগ্রিমেন্ট চৎনদুনা ইন্দিয়াদা পূনখিবা, কংলৈচা পূম্বগী থম্মোয়দা তাশোন্না থিনখিবা নুমিৎ অসিবু ব্লেক দে হায়না ওবজর্ব তৌরি। অসিগুম্বা নম্ফূ-হাফুঙ্গী থৌওংনা অদুঙৈ হিন্দু লাইনিং লৌহনখিবা অমদি ইনিদয়াদা নমদুনা তিলহনখিবগী চৈনা কোক্ত্রিঙৈ চৈরক অসিদা ডা. মোহন ভগৱতকী থৌওং অসিনা অশোকপদা থুম চাইশিনবা ওইনা থোক্লে। অচুম্বা হিষ্টরি নৈনদুনা অনৌবা চাওখৎ লমজেলদা শরুক য়ামিন্নরসি হায়না জষ্টিস কম্মিটিনা থমজরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা থম্লক্লি।

## লম্বীগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা টি ঐচ ইবুংঙোগী মচা ৪মক লেম্না মহৈ তমহল্লগনি : স্কুল কম্মিটি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৮ (ঐচ এন এস): থা অসিগী ২৩দা ময়ায় লম্বীগী ময়াং ইম্ফালদা থোকখিবা লম্বীগী খুদোংথীবা থৌদোক অমদা লৈখিদ্রবা ময়াং ইম্ফাল অৱাং লৈকায়দগী টি ঐচ ইবুংঙোগী লৈহৌরিবা মচা ৪মক ময়াং ইম্ফালদা লৈবা সীটি হায়র সেকেন্দরী স্কুলদা ক্লাস ১২ ফাওবা লেম্না মহৈ তমহল্লগনি হায়রি।

হীরম অসিগী মতাংদা স্কুল অসিগী মেনেজমেন্ট কম্মিটিগী সেক্রেটরি সী ঐচ রোনেলনা ফোঙদোকখিবদা, থা অসিগী ২৩গী নুমিদাংৱাইরম টি ঐচ ইবুংঙো অসি মহাক্কী লোয়নবী টি ঐচ চাউবগা লোয়ননা ময়াই লম্বীদা চৎলিঙৈদা বুল্লেট থৌদুনা লাকপা মীওই অমনা থোম্বদগী বুল্লেট থৌরকপা মীওই অদুগা লোয়ননা খুদক্তা মফম অদুদা লৈখিদবনি। মহাক্কী লোয়নবী টি ঐচ চাউবসু এক্সিদেন্ট অদুদা ফিভম লুনা শোকপদগী হৌজিক-হৌজিক রাজ মেদিসিটিগী আই সী য়ুদা অরুবা ফিমদা লাইকন্নরি।



লৈখিদ্রবা টি ঐচ ইবুংঙোগী ইমুং অসি মহাক্না ৱার্কশোপ মচা অমা তৌরগা ইমুং পুরম্বা ওইবনা ইমুং মনুংনা হৌজিক থেংনরিবা অৱাবা কয়া অসিগী য়েংলগা মহাক্কী লৈহৌরিবা মচা ৪মক স্কুল অসিদা ক্লাস ১২ ফাওবা লেম্না মহৈ-মশিন তমহন্নবা ৱারেপ লৌবনি হায়খি।

পনবা য়াবদি ময়াং ইম্ফালদা লৈবা সী টি হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী কম্মিটিনা হৌখিবা মতম কয়াগী মমাঙদগী ময়াং ইম্ফাল এরিয়া য়াওনা মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা অৱা-অনা তারবা মীওই কয়াদা মতেং পাংদুনা লাক্লিবনি। মসিগী মথক্তা স্কুল অসিদা হৌজিক য়ুমগী ফিভম শোক্লবা মহৈরোয় কয়া অমসু লেম্না মহৈ তমহল্লিবনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

## কোভিদগী এৱ্যের্নেস পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৮ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯গী মতাংদা মীয়াম পূন্না চেকশিন থৌরাং লৌখৎমিন্ননবগী মতাংদা সেলিন দিজিটেলনা শিন্দুনা সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টকী আইমোল ফুরুপনা খুন্দাবা এন সী ফাই ভিলেজদা কোভিদ-১৯ এৱ্যের্নেস কম পোষ্টর কেম্পেইন পাঙথোকখ্রে হায়না সেলিন দিজিটেলগী ফিল্ড পব্লিসিটি ওফিসর (এফ পি ও) কে এস ঐচ জেম্সনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

কেম্পেইন অসিগা মরী লৈননা সেলিন দিজিটেলগী প্রদ্যুসর ফাঞ্জৌবম লনজিৎনা ঐখোয় পূন্না কোভিদ অসি থিংমিন্নবা মথৌ তাই। ঐখোয়গী মণিপুরগী ওমিক্রোন কেস হেনগৎলক্লি খঙনা খঙনা চেকশিনবা ৱাৎপগী মমি তারিবা অসি অফবা খুদম নত্তে। লৈঙাক্লা পীরিবা এস ও পিশিং ঙাকমিন্নবা মথৌ তাই হায়খি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারি।

## ইন্টর্নেসনল মণিপুরী শোর্ট ফিক্সন ফিল্ম ফেষ্টিভেলদা বংলাদেশ, ট্রিপুরা, অসাম অমদি মণিপুরগী ফিল্ম ২৮না শরুক য়ারি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৮ (ঐচ এন এস): ইপাক ফিল্মুস প্রদক্সন মণিপুরনা শীন্দুনা পাঙথোক্লিবা অনীশুবা ইন্টর্নেসনল মণিপুরী শোর্ট ফিক্সন ফিল্ম ফেষ্টিভেল ২০২২গী ফিল্ম এন্ট্রি তৌবগী মতম জন্যুৱারী ২৫দা লোইখিবগা লোয়ননা ফেষ্টিভেল অসিগী স্ক্রিনিংগী মতম লেপখ্রে। ফিল্ম ফেষ্টিভেল অসিদা শরুক য়ানবগীদমক বাংলাদেশ, ট্রিপুরা, অসাম অমদি মণিপুরদগী য়াওনা পূন্না ফিল্ম ২৮ থাজিল্লক্লে হায়না ইপাক ফিল্মুস প্রদক্সন মণিপুরগী কনভিনর রাকেশ নাউরেমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, ‘লেট্স মেক মণিপুর দ্রগ ফ্রী’ হায়বা থিমদা য়ুম্ফম ওইদুনা পাঙথোক্লিবা মিনিট ৩দগীনা ৫ ফাওবা শাংবা শোর্ট ফিল্মশিংনা শরুক য়ারিবা ইন্টর্নেসনল মণিপুর শোর্ট ফিক্সন ফিল্ম ফেষ্টিভেল-২০২২ অসি ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী মীৎয়েং মখাদা দিপার্টমেন্ট ওফ সোসল ৱেলফ্যের, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা স্পোন্সর তৌবনি।

ফিল্ম ফেষ্টিভেল অসিগী তোঙান তোঙানবা এৱার্দশিংগীদমক খন্নবা লাক্লিবা জন্যুৱারী ৩০গী অয়ুক পুং ১০ তাবা মতমদা মণিপুর প্রেস ক্লব, ইম্ফালদা স্ক্রিনিং পাঙথোক্লগনি। লোয়ননা খনগৎলবা ফিল্মশিং নুমিৎ অসিমক্তদা মীয়ামদা লাউথোক্লগনি। ফিল্ম ফেষ্টিভেল অসিগী এৱার্দশিংনা ফেব্রুৱারী ২১, ইন্টর্নেসনল মাদর্স লেংগ্বেজ দে নুমিৎগী থৌরমগা মরী লৈননা লান্থোক্লগনি।

ফেষ্টিভেল অসিদা তোঙান তোঙানবা এৱার্দ ১২ থম্লি। এৱার্দশিং অদুদি বেষ্ট ফিল্ম- লুপা ৫৫,৫৫৫; সেকেন্দ বেষ্ট ফিল্ম - লুপা ২২,২২২; থাদ্ বেষ্ট ফিল্ম - লুপা ১১,১১১; বেষ্ট দিরেক্টর - লুপা ৫,৫৫৫; বেষ্ট ষ্টোরি- লুপা ৫,৫৫৫; বেষ্ট ইদিটর- লুপা ৫,৫৫৫; বেষ্ট সিনেমাটোগ্রাফি-লুপা ৫,৫৫৫; বেষ্ট এক্টর (মেল)-লুপা ৫,৫৫৫; বেষ্ট এক্টর (ফিমেল)-লুপা ৫,৫৫৫; বেষ্ট চাইল্ড এক্টর-লুপা ৫,৫৫৫; বেষ্ট ফিল্ম ওফ এ দেব্যু দিরেক্টর- লুপা ৫,৫৫৫নি অমদি ইপাক বেষ্ট পোপ্যুলর পিপল চোইচ এৱার্দ লুপা ৭,৭৭৭নি।

ইপাক বেষ্ট পোপ্যুলর পিপল চোইচ এৱার্দকীদমক্তদি থাজিল্লক্লিবা ফিল্ম ২৮ অসি ইপাক মীদিয়া য়ুট্যুব চেনেলদা ফেব্রুৱারী ৫গী অয়ুক পুং ১০দগীনা ফেব্রুৱারী ১৫গী নুমিদাং পুং ৮ ফাওবদা থাগৎচগনি। থাগৎলিবা ফিল্মশিং অদুদা লাইক খ্বাইদগী য়াম্বা ফিল্ম অমখক খনগৎতুনা ইপাক ৱেষ্ট পোপ্যুলর পিপল চোইচ এৱার্দ-২০২২গী এৱার্দ অসি পীজগনি। অতোপ্পা এৱার্দ ১১ অসিনা জুরিশিংনা খনগৎপা ফিল্মশিংদা পীজগনি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## ইলেক্সন এক্সপেন্দিচরগী মিটিং পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ২৮ (ঐচ এন এস): দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসর ইম্ফাল ইষ্ট খুমন্থেম দাইনানা থোকপা নোটিস অমগী মতুংইন্না থা অসিগী ২৯গী অয়ুক পুং ১১.৩০ তাবা মতমদা পোরোম্পাৎতা লৈবা দি সী ওফিস কমপ্লেক্সকী কনফরেন্স হোলদা মিটিং অমা পাঙথোক্কনি। ইলেক্সন এক্সপেন্দিচরগা মরী লৈনবা কম্মিসনগী লিগেল প্রোভিজন অমসুং ইনষ্ট্রক্সন খুদিংমক লোয়ননা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী ইলেক্সন এক্সপেন্দিচরগী ষ্টেটমেন্ট অমসুং কেন্দিদেটশিংগী ইলেক্সন এক্সপেন্সশিংগী এবষ্ট্রেক্ট ষ্টেটমেন্টকী রিভাইস তৌরবা ফোর্মেটসু হায়লাইট তৌগদৌরিবা মিটিং অসিদা মরী লৈনবা খুদিংমক্না মতম চানা লাক্লবসু খঙহল্লক্লি।

## নেসনল এৱার্দি মণিতোন তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৮ (ঐচ এন এস): মৈতৈ ঐখোয়গী হৌরক্লোন তাকপা অমত্তা ঙায়রবা লাই হরাওবগী থৌরম অসিবু মশক খঙবিদুনা ট্রিপুরাগী চীফ মিনিষ্টর বিপ্লপ কুমার দেবনা নেসনলগী থাক্তা পীবা লাইনিংথৌ পুথিবা নেসনল এৱার্দ ফোর লাই হরাওবা ২০২২গী এৱার্দ ফংখ্রবা মুতুম মণিতোন মঙাঙবু তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা ঙসি ইবুধৌ খোংজেম নিংথৌ শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে।

ইবুধৌ খোংজোম নিংথৌ লাই কম্মিটি, মৈরা পায়বী অমদি আইদিএল য়ুথস ক্লব খোংজোমনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা খোংজোমগী লাই হরাওবা কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট থোকচোম ইনাও, আইদিএল য়ুথস ক্লব খোংজোমগী প্রসিদেন্ট থোকচোম শ্যাম, রিটায়র্দ হেদ মাষ্টর সোইবম নন্দকিশোর, মৈরা পায়বীগী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম ওংবী সোরোজিনি, উকলগী কনভিনরসু ওইরিবা নেসনল এৱার্দি মুতুম মণিতোন অমদি মহাক্কী লোয়নবী মুতুম নির্মমলা লৈমনা থৌরম মপুশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা নেসনল এৱার্দি মুতুম মণিতোননা হায়খিবদা, হন্দক ট্রিপুরা লৈঙাক্লা মঙোন্দা পীরক্লিবা এৱার্দ অসি লাই হরাওবা নেসনল এৱার্দ অমদি সোসল নেসনল এৱার্দনি। এৱার্দশিং অসি মহাক্না মণিপুরগী ট্রিপুরাদা খুন্দাদুনা লৈরিবা মৈতৈ খুঙ্গং ২০০গী মথক্তা চহী ১২গী মমাঙদগী কোয়না চত্তুনা মফম অদুগী মীয়ামগা উন্নদুনা মৈতৈ ঐখোয়গী চৎনবী কলচর কয়াবু ঙাক্লা থম্নবা হোৎনজরকখিবা কয়া অদুবু মশক খঙবিদুনা অমদি ট্রিপুরাদা খুন্দারিবা অপীকপা ফুরুপশিংবু ট্রিপুরা লৈঙাক্লা য়োকখৎনবা হোৎনবা ৱাখল্লোন অদুনা মরম ওইরগা এৱার্দ অসি মঙোন্দা পীবিরকখিবনি হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, লাই হরাওবদা লান্না উবা, লান্না তৌশিনবা অমদি লান্না য়েংবা মীৎয়েং কয়া অমা লৈ। অদুবু ঙসিদি লাই হরাওবদা মৈতৈ হায়বা ফুরুপ অসি মশক তাকপা মচাক ময়াম অমা য়াওরগা লৈ হায়বা খঙলকপা অমদি লাই হরাওবদা য়াওরিবা মরুওইবশিং অসি খঙলকপদগী ঙসিদি য়ুনিভর্সিটিগী থাক্তা পুখৎতুনা সবজেক্ট দিপার্টমেন্ট ওইনা হাংদুনা মহৈ তম্নরক্লবনি হায়খি।

## ঐচ আই ভীগা শাগোন্নরিবশিংদা মচি ওইবা চীঞ্জাক হায়বা হীরমদা ট্রেনিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৮ (ঐচ এন এস): মণিপুর ষ্টেট এইদস কন্ট্রোল সোসাইটি (মেক্স) ইম্ফালগী স্পোন্সরশিপ মখাদা দিষ্ট্রিক্ট এইদস প্রিভেন্সন এন্দ কন্ট্রোল য়ুনিট (দি এ সী পি য়ু) থৌবালনা শীন্দুনা ঐচ আই ভিগা শাগোন্নরিবশিংদা মচি ওইবা চীঞ্জাক হায়বা হীরমসিদা নোংমগী ওইবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি চীফ মেদিকেল ওফিসর থৌবালগী কমপ্লেক্সতা লৈবা নেসনল হেল্থ মিসন থৌবালগী ট্রেনিং হোলদা পাঙথোকখ্রে।

ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট এইদস কন্ট্রোল ওফিসর, দিষ্ট্রিক্ট এইদস প্রিভেন্সন এন্দ কন্ট্রোল য়ুনিট থৌবালগী ইন-চার্জসু পুরিবা সী এম ও থৌবাল ডা. ৱাই নোকুলনা চ্যেরমেন ওইনা শরুক য়াখি।

দি এ পি সী য়ু থৌবালগী দিষ্ট্রিক্ট সুপরভাইজর টি ঐচ ওপেনকুমার, ডা. কে এচ ঐচ রোজিতা, ভিহান প্রোজেক্টকী হেল্থ প্রোমোটর পি শন্ধ্যারানিনচিংবনা রিসোর্ছ পার্সনশিং ওইনা শরুক য়াদুনা ঐচ আই ভিনা নারবশিংনা করি করম্বা মচি ওইবা চীঞ্জাকশিং চা-থক্কদগে হায়বসিগী মতাংদা শন্দোক্লা ৱাফম কয়া থমখি।

সী এম ও ডা. ৱাই নোকুলনা ঐচ আই ভিগা শাগোন্নদুনা লৈরিবা (পি এল ঐচ আই ভি)শিংবু মখোয়না পুক্নিং ৱাখল শোন্থবা হন্থবা তৌদনা ঐচ আই ভিদগী করম্না ঙাকথোক্কনি অমদি মখোয়গী পুন্সিদা মখোয়না ঙম্বা খুন্নাই অসিগীদমক করি তৌরমগদগে হায়বা ৱাফমশিং থমদুনা পুক্নিং থৌগৎখি। অমদি ঐচ আই ভি এইদস অসিদগী ঙাকথোক্লবা ঐখোয়না মচি ওইবা চীঞ্জাকশিং চাবা থকপা হায়বসি য়াম্না মরু ওই হায়খিবগা লোয়ননা ঐচ আই ভিদগী করম্না থেংনগদগে হায়বগী মতাংদা ৱাফম কয়া অমসু শরুক য়াখিবশিংগী মফমদা শন্দোক্লা থমখি।

নুপা অমসুং নুপী পুন্না মীওই ২৫ রোম্না শরুক য়াখিবা ঙসিগী দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসিদা ইন্টরেক্সনগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি হায়রি।

## শেঞ্জাও পায়বশিংনা ৱ্রায়েল চুপ্লি পায়খিবনা নোংমা-নোংমগী ফিভম শোকচিল্লকপনি হায়বসি খন্থবা ঙমদ্রবদি অচুম্বা সোল্যুসন পুরকপা ঙম্লোই : য়ু এফ এম

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৮ (ঐচএনএস): মশীং থীবা য়াবা শেঞ্জাও পায়বা, ইনাক-কৈরাক খুনবা খরা নত্তনা মীওই অতৈগী ফিভম নোংম-নোংমগী শোকচিল্লক্লি । শেঞ্জাও পায়বশিংনা ৱায়েল চুপ্লি পায়খিবনা মসিগী মরুওইবা মরম্নি হায়বসি খন্থবা ঙমদ্রবদি মসিগী অচুম্বা সোল্যুসন কৈদৌনুংদা পুরকপা ঙম্লোই হায়বসি য়ু এফ এমগী অচৌবা থাজবনি হায়না য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট, মণিপুর (য়ু এফ এম)গী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

য়ু এফ এমগী কনভিনর চবুংবম প্রেমচন্দ্র অমসুং কো-কনভিনর সাপম ওপেন্দ্রো অনীনা পুন্না খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অসিনা হায়, মণিপুরগী ঙমখৈ লৈত্রবা, শোত্থদুনা লৈরিবা ফিভম অমসুং মসি লৈহন্দনবগী মতাংদা সেন্টরদা লৈখিবা তোঙান তোঙানবা পার্টিশিংগী লৈঙাকশিংগী মরালশিং, মখোয়না থৌৱা-শাবিদবা, মীরাইবিবা, খন্থবিদবা, মণিপুরীশিংগী খোয়রাংবা, পেন্দবা কয়া অসিবু পুদুনা মীয়াম্না চহী কয়া লাক্লি। হৌখিবা চহী ৭৫ অসিদা য়েংলু-য়েংলুবা হীরম খুদিংদা পেন্দবগী পেন্দবা ঙাক্তনা থল্লবা ময়াম্না পূনশিল্লগা নম্থরকপদগী খাঙবা ঙমদ্রবা চৈনাগী খোল্লাউ কয়া ঈহৌশিংদা ময়েক শেংনা তারি।

লম্বী থোং, লো এন্দ ওর্দরগী মতাংদসু য়াম্না নীংবা কায়নিংঙাইনি। অদুবু হৌখিবা চহীচা কয়াসি অসিগুম্বা ফিভম অসিদগী কোক্লবা করিগুম্বা অমত্তা থম্মোয় শেংনা হোৎনবিবগী থৌরাং উবা ফংদে। মহৈ-মশিনগী লমদা চাওখৎ থৌরাং কয়া পায়খৎপগী মহুৎতা নোংম-নোংমগী মাঙশিল্লকপগা লোয়ননা লৈঙাক অসিনা এদ্যুকেসন সিষ্টেমদা সের্ফোনাইজেসন তৌনবা হোৎনরি।

লমদম অসিদা থবক ফংদবগী ফিভম নোংম-নোংমগী তমথিবগী মশক ওইরক্লি। মতীঙ ফূদোকপগী লম্বী পূম্বা থিংলি। অসিগুম্বা ফিভম অসি চহী কয়া অমা হৌখ্রবসু সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা থৌওই-ৱাওইদনা তূমদুনা-ফমদুনা কূম্মৈ য়েংলি হায়বা য়াই। লৈঙাক মপুশিংনা শৌগৎপদগী মশিং থীবা য়াবা মীওই খরনা শেঞ্জাও পায়দুনা, লমচৎ ফজদবা থৌরম কয়া তৌদুনা, লন-থুম কয়াগী মপু ওইদুনা পুম্নমকপু লাকশিন্দুনা মীয়ামগী মপু ওইরি। অসুম্না মণিপুর খুন্নাইগী পুন্সি, নাকল অমদনা মশিং থীবা য়াবা শেঞ্জাও পায়বা ইনাক-কৈরাক খুনবশিং অদুগা অমরোমদনা পাম্বৈ লৈজদ্রবা লায়র-অনংগী শাফূনংলবা মশীং নাইদ্রবা মীওইশিংগী কাঙলুপ অনী থোক্লা খায়দোক্লি। পার্লিয়ামেন্ট, রাজ্য বিধান সভাগী মীখল তৌদুনা লৈঙাক্কী অহোংবা কয়া লাকখ্রবসু মীয়ামগী বর্নিং ইস্যু কয়া কোকপদি লায়রদনা নোংম-নোংমগী ফিভম শোকচিল্লক্লি। লৈঙাক্তগী মীয়াম্না করিসু আশা তৌবা ঙম্নরক্ত্রে। মখোয়না মীচম মীয়াম, লৈত-লায়র, শূজ-নোমজদুনা হিংজরিবা লৌমী শিন্মীশিংগীদমক কনবা শংদে। চহী অমা হেন্না চত্থখিবা ফার্ম বিল অহুমগী খোঙজংদা মখোয়বু নমথবগী মিংদা ওৎ-নৈবিখি, মীওই ৭০০ হেন্না শিখি। অয়াম্বা মতমদা ইনাক-কৈরাক খুনবা কোর্পোরেটশিংনা শেম্বা কেপিটেলিষ্টশিংনা গভর্ণমেন্টকী শিন্থা ওইনা পাঙথোকচৈ।

কোভিদ-১৯ পেন্দমিক মনুংদা লোকদাউন মতম শাংনা থমখিবা শূফম নোম্ফম লৈতবা শেল-থুমগী ফিভম শোকচিল্লকপনা হিংজনিংদ্রে, শিখিবনা হেন্না ফৈ হায়বসিনা ইনিদয়াগী মীচম লায়রবদগী হৌরদুনা মীদল ক্লাসকী মনুং চনবা মীওইশিংগী লাইশোল ওইরি।

মীৎয়েং অমত্তদা য়েংলবদি অৱাং নোংপোক লমদমগী মীওইশিংসু ওৎপি নৈবিরবশিংগী মরক্তা হেন্না ওৎপী নৈবিরিবনি। খম থেংনা থৌশাবিদবা, খম থেংনা চাওখৎহন্দনা নৈহৎতুনা হাৎলি। হায়রিবা অৱাবশিং অসি লৈবাক অসিগী অতোপ্পা মফমগী মীয়ামশিংসু থেংনরিবনি, মসিদগী নাম্থোকপা ঙমদে। অসুম্না নোংম-নোংমগী ফিভম শোকচিল্লক্লিবা অসি শেঞ্জাও পায়বশিংনা ৱায়েল চুপ্লি পায়খিবনা মরু ওইবা মরম্নি হায়বসি খন্থবা ঙমদ্রবদি মসিগী অচুম্বা সোল্যুসন কৈদৌনুংদা পুরকপা ঙম্লোই হায়নসু য়ু এফ এমগী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তারি।

## লাইকন্নরিবা দ্রাইভর প্রেমবু লৈঙাক্লা অথুবদা মতেং পাংবিয়ু

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ২৮ (ঐচ এন এস): চীফ ইলেক্টরেল ওফিসরগী ওফিস কমপ্লেক্স মনুংদা ইলেক্সন দ্যুটি তৌরিবা সেরিকলচর দিপার্টমেন্টকী দ্রাইভর য়ুমখাইবম প্রেম (৫০)বু জিপ্সি গাড়ি অমনা থোমজিনবদগী অরুবা ফিভমদা শিজ হোস্পিটালদা লাইকন্নরি। শিজ হোস্পিটালদা লাইকন্নরিবা দ্রাইভর প্রেমদা ঙসি ফাওবদা লৈঙাক্লা মতেং পাংবগী খোঙথাং অমত্তা লৌখৎপগী মমি উদ্রি। মরম অদুনা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অথুবা মতমদা লায়েংবদা চঙবা শেনফম অমদি ইমুং-মনুংগী অৱাবদা মতেং পাংবিয়ু হায়না ওল মণিপুর গভর্ণমেন্ট দ্রাইভর্স এন্দ টেক্নিসিয়ন্স এসোসিএসনগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট কে ইবোমচানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।